ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

মণিপুরগী সি এল পি লিদর ও ইবোবিনা লুচিংবা কোংগ্রেস এম এল এ ১৪ না ন্যু দিল্লিদা এন সি পিগী লুচিংবা এম পি সরদ পাৱর উনদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা

মেনপেকনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা কৌখিবা পুং ১৮গী টোটেল শটদাউন শৌগৎলদুনা চীংমৈরোংদা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

CHINGMEIRONG
লামায় ৩

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মীয়াম্না টোটেল শটদাউন মনুংদা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা থিংখিবদা পুলিসকা মুক্লখিবগী শক্তম

অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা য়ারোই হায়দুনা উরিপোক তৌরাংবম লৈকাই ৱিমেন্স ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

Vol. 43, Issue No.232 | য়ুমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈগী ২৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, November 20, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

দোক্টর রাধাপ্যারীদা পাইওনিয়র এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ইষ্ট জোন একাদেমি ওফ পেদিয়াট্রিক্সনা মণিপুরদগী দা. লৌরেম্বম রাধাপ্যারীদা পূর্বাঞ্চল পাইওনিয়র এৱার্দ ২০১৯ পীরকখ্রে।

ওরিষাগী পুরিদা লৈবা হোটেল ব্লু লিলিদা হৌখিবা নবেম্বর ১৬তা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

HL Poll

Q: NH-37 ta leiba Irang ama-sung Makru thong yamna toina gari lanba yadriba ashi leingakna yengshinba watpagini khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: CAB 2019 ashida Manipur yaona awang-nongpok lamdam shokhandanaba akhannaba clause yaoramgani khanbra?

Yes 17% No 83%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৪ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৬

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → AGARTALA	
IndiGO	13:20
IMPHAL → AIZAWL	
Air India	12:20
IMPHAL → DELHI	
Air Asia (India)	13:45
IMPHAL → GUWAHATI	
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL → KOLKATA	
Air India	14:45
IndiGO	15:20
Air India	16:45

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.409589
US Dollar	71.708899
British Pound	92.732774
Australian Dollar	48.891875
Chinese Yuan Renminbi	10.210347
Japanese Yen	0.659655
Malaysian Ringgit	17.247041
Australian Dollar	48.891875
Singapore Dollar	52.708336
South Korean Won	0.061473
Saudi Arabian Riyal	19.122373
Thai Baht	2.374665
Myanmar Kyat	0.04732
Bangladesh Taka	0.84643

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	39122.99
Mumbai	–	Rs	40000.00
Delhi	–	Rs	39946.52
Kolkata	–	Rs	40417.11

অস! লোইরেহে!

- ঙানু হুরানবা তাকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১গী মনা পীরগনি!
- [illegible]



- ঙানুদি ঐনা হুরানবনি, লাখ ১ ফংনবা হায়দোক্লুরসিরা...!
- [illegible]

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমসুং পিছ টোককী মতাংদা মীয়াম্না করি হায়রি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং নাগা লালহৌলুপশিংগী মরক্তা চথরকখিবা নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হনবা য়াবা ৱাফম য়াওবা য়ারোই অমদি হৌজিক-হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পাস তৌননবা থৌরাংলক্লিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯গী মায়োক্তা মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চথরি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসিদা তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীয়াম্না সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমসুং নাগা পিছ টোককী মতাংদা করি হায়রি অমদি করি পাম্লি হায়বদু খঙমিন্নসি।

দা. থোইবা
এসোসিএট প্রোফেসর, জেনিমস

মণিপুর ঙাকপা হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়না ঙাকচগদবনি। মপানগী মীওইশিংনা নত্রগা লো অমনা ঙাকপা হায়বসি মপুং ফাবা ৱাৎকনি। মরম অদুনা মণিপুরগী মীয়াম্না য়াম্না কুপ্না খন্থবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংবু প্রোটেক্ট তৌগবা লো শেম্বসু ফৈ। অদুবু মথৌ তারিবদি ঐগী য়ূমদা অতোপ্পা মীওই অমা লৈহন্ননবা মফম পীদ্রগদি মীশক অদুনা করম্না লৈগদৌরিবনো? মণিপুরদগী আই এল পি অমদি মণিপুর প্রোটেক্সন বিল কনানা মুখৎখি হায়বসি খঙমিন্নদুনা ঐখোয় পূন্না থবক তৌমিন্নবা, ৱাখল তামিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই।

থৌদাম সুরজিৎ
লম্লোং থৌদাম লৈকায়, দুকান ফম্বা

পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা মণিপুরগী এম পিশিংনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না কন্না লাউহন্নিংই। অদুবু ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী ইস্যু অমত্তদা লমদম অসিগী এম পিশিংনা থৌনা ফনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী এম পিগুম্না ৱা ঙাঙবা ঙমদবগী থৌওং অসি মণিপুরগী মীয়াম্না অপেনবা হায়বদু ওইদে। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা এম এল এ অমদি এম পিশিং থৌনা লৈহন্নিংই। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না খল্লি। তুংগী মীরোলগী খল্লগা অপূনবগী শক্তমগীদমক পূন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবা পাম্মী।

অব্দুল হাসিম
মন্ত্রিপুখ্রি, ওটো দ্রাইভর

ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, সী এ বি অমদি তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং ৱাবনা খম থেংলে। মরুওইনা নোংমগী শুদুনা শেল তাল্লগা হিংলিবা মীওই ঐখোয়দি ওন্থোক্লা ৱাবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাকহন্ননবা পোরম য়াৎপীয়ু। লৈঙাক্লা লৈবাক্কী য়াইফ-থৌরাং তৌদে হায়বদি লানগনি। অদুবু লমদমসিদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদগী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা মতীক চাবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎহন্নীংই।

থাঙ্খালুন খোংশাই,
সীসীপুর, রিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট

মতম শাংনা চথরক্লিবা নাগা পিছ টোককী মতাংদা নাগালেন্দগী মীয়ামসু শোয়দনা ৱারমগনি। নাগালেন্দগী মীয়াম্না ঈং-তপ্না নুংঙাইনা লৈবদু মণিপুরী ঐখোয়সু পাম্মী। অদুবু ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়গদবা ৱাফমদি য়াওহন্নিংদে। মরমদি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ খুদিংমক চহী চা কয়াদগী পূন্না লৈমিন্নরক্লবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌওংশিং অসিদা মীয়াম্না মিপাইবা পোকপদা নৎতনা পেন্দবা ফাওরিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুর কায়দনবা শীনবীয়ু, ঐখোয় পুম্নমক নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা পাম্মী।

সন্তোশ দরনাল
মন্ত্রিপুখ্রি লম্লোঙ্গৈ, উ শুবা

মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপশিংনা পূন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না উজবদা হৌরিবা ঈহৌ অসিদা কনাগুম্বা খরদি য়াওদবসু থেংনৈ। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি পুম্নমক্লা চপ মান্ননা লেপমিন্নবা তঙাইফদে। ঐখোয়সু নোংমগী শুরগা চাবা মীওইনি। অদুবু লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা মপুং ফানা চেনবা চোংবা ঙমদ্রগসু অঙম্বা খরদি তৌগেখল্লি। বন্দ, ব্লোকেদ তৌবা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না য়াম্না ৱাবা অমদি ওইরে। মীয়াম্না ঙসি হৌরিবা ঈহৌ অসিদি মণিপুরীশিংগী তুংগী ওইনা তৌদবা য়াদবা ঈহৌ অমনি।

পুয়াম ওংবী ইবেতোম্বী
ন্যু চেকোন, হাউস ৱাইফ

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা ষ্টেট লৈঙাক্লা দিল্লিদা চৎলগা লুচিংবা কয়া উনদুনা ৱারী শাখিবা অদু তশেংনা থাগৎলি। অদুবু থাজবা পীরক্লে হায়রিবা অসি শুপ্নগী চীনদা হায়রকপনিনা থাজবা ৱাৎলি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা ইস্যু অসি য়াম্না লুম্না লৌবীদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদগী মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়হল্লোই হায়বা অইবা চে অমত্তং লৌবীরবদি মণিপুরী মীয়াম্না অপেনবা হায়বদু ওইগনি। ৱারোইশিনদা করি য়াওগদৌরি হায়বসি লৈঙাক্লসু খঙদে, মীয়াম্লসু খঙদে। মরম অদুনা শুপ্নগী ঐখোয়না পামজবদি মণিপুর কায়হনবীগনু হায়বা ৱাফম অদুনি।

নসির খান
ক্ষাক্তা, রিক্সো দ্রাইভর

মণিপুরগী এম এল এ ৬০ অমদি এম পি ৪ না পূন্না চপ মান্নবা খোঙথাং অমা লৌখৎপিদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা শিনবিবা পাম্মী। মণিপুরগী মীয়ামবু ঙাকপী-শেনবিগনি, মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৌবিগনি হায়না ভোট লেপখিবগী ৱাখল্লোলশিং অদু ভোট কাখ্রবা মতুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবগী মতৌ অমা উরিবা অসি নুংঙাইতবা ফাওই। মণিপুরগী লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসিনা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক অৱাবা হায়বদু ওইরে। মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং য়েলহৌমীশিংগীদমক মীয়াম্না মীপাইরিবসি কোকহন্ননবা লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ লৌহন্নীংই।

থিংনাম অরুন
ককচিং খুনৌ, চেক্কী মিস্ত্রি

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবগীদমক অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা মীচম অমনা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌগনি। লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবশিংদা ৱাকৎতনা কনাদা ৱাকৎকনি। মীয়াম্না ৱাকৎপদা লৈঙাক্লসু ৱারৌফম থোক্তে। শুপ্নগী মণিপুর মীয়াম্না পামলিবদি নাগা লালহৌবশিংগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টগী মরক্তা য়ানবা পুরকখ্রিবা অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং খঙহনবা অদুনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পার্টিগী খেন্নবা থমদনা এম এল এ ৬০ মক্লা পুনশিন্দুনা ঐখোয় মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎনি, মীয়াম্না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা পামদে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়হন্নীংই।

কৈশাম শান্ত, উৎলৌ, শিল্পী

লমদমসিগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমদি অপাম্বশিং খঙবীদুনা ষ্টেট লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ লৌরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অকনবা ৱাহৈ অমা ফাওবা হায়বা ঙমদবা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। মপী-মপা অমা ওইনা মীয়াম্বু ঙাকপী-শেনবীবগী থৌনা অদু মপূং ফানা লৈহন্নীংই। লমদম অসিদা ইস্যু অমগী মথক্তা ইস্যু অমা লাকপনা মীয়াম্না য়াম্না ৱানা হিংলে। নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরে হায়রিবা অমসুং সী এ বি চৎনহল্লক্কদৌরে হায়রিবা অসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা লাংতক্লবশিং অসি লৈঙাক্লা উবীরগা মণিপুরীশিংগী য়াইফনবা, তুং কোইনা চৎপা য়াবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপীয়ু।

য়েংখোম দেবান,
খুরাই, ওটো দ্রাইভর

নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিননা নাগালেন্দদা ঈং-তপ্না, নুংঙাই য়াইফবা অমা পুরকপা ওইরসনু। অদুবু ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়াবা থবক্তি মণিপুরী অমা ওইনা পায়খৎহন্নীংদে। লৈঙাক্লা মণিপুর কায়রোই হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীবীরবদি নোংমগী থবক শুদুনা শেল তাল্লগা হিংজরিবা মীয়াম্না করিগীদমক ৱাকৎ মীফম, চেকশিন মীফম অমদি নুমিদাংদা রেল্লি চৎকদৌরিবনো? মরম অদুনা মীয়ামগী থম্মোয়দা লাংতক্লরিবা পুম্নমক লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা কোকহনবীয়ু।

ইস্যুশিং ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি: সী এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) : ইস্যুশিং লাকপা মতমদা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি, মসিগীদমক লৈঙাক্লা থোঙ লাওনা হাংলি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্সেট হোলদা পাঙথোকখিবা ক্বামি একটা ৱিককী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্ট নোংথোম্বম বিরেন্না হায়খি, পিছ টোক্কী মতাংদা ষ্টেটকী ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসি সী এস ওশিং কন্সল্ট তৌনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোয়না তকশিন্দুনা লাক্লি। লৈঙাক্লা কোকোমিগী মীহুৎশিংগা উনবা পাম্মী। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইনভাইটেসন লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেট লৈঙাক্লা উন্নদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনবা পাম্মী। কোকোমি অমদি মেনপেক্কী মীহুৎশিংগা লৈঙাক্লা উনদুনা ৱারী শানসি।

"QUAMI EKTA WEEK"
(National Integration Week)
on 19th November, 2019
1st Bn Manipur Rifles Ground
Organised by
GOVERNMENT OF MANIPUR
MANIPUR POLICE

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীখিবা লৈরে। জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবনা অৱাবা কয়া তাহল্লি। নোংমগী পুন্সিদা জেনরেল ষ্ট্রাইকনা চাউনা শোকহল্লি। ঐখোয়না ফুরুপশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবা চঙই। ঐখোয় খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা ষ্টেট অসিগী চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক ওইরিবা ইস্যু অসি য়াম্না সেন্সিটিব ওই। ইলেক্ট্রোনিক টেলিভিজন চেনেলশিংগী দিসকসন্দা পেনেলিষ্ট ওইরিবশিংনসু ষ্টেট অসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপশিংগী সেন্টিমেন্ট শোক্কদবা ৱাফম ফোঙদোকপা চুমদে।

ক্বামি একটা থৌরম অসি নীংশিংবা তাই। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী ইন্দিরা গানধীনা ইন্টিগ্রিটিগীদমক লেপ্পল্লম্বা থৌনা অদু

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মেনপেকনা সী এ বিগী ময়োক্তা কৌখিবা পুং ১৮গী সটদাউন মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনস পীপল (নেফিপ)কী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পীপল এগেনষ্ট সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (মেনপেক)না ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পাস তৌননবা থৌরাংলিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বদা কৌখিবা পুং ১৮গী টোটৈল শটদাউন মপূং ফানা চথখ্রে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা টোটৈল শটদাউনগী খোঙজং শৌগৎখিবা কৈথেল ফম্বী নুপী অহুম সিটি পুলিসনা ফাজিল্লুরবা তুংদা নুমিদাং থাদোরকখি। পুলিসনা ফাজিল্লুরবশিং অদুদি শাদোকপম বেম্মা, সাপম মেম্মা অমসুং অঙোম পুর্ণিমানি হায়রি।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

এক্স মিনিষ্টর সলাম ইবোহল লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) : থাঙ্গ এসেম্বল্লি কন্ষ্টিট্যুয়ন্সিদগী কয়ারক হন্না মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেম্বল্লি মীখলদা মায় পাক্লকখিবগা লোয়নননা মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা এস ইবোহল লৈখিদ্রে।

এক্স মিনিষ্টর সলাম ইবোহলনা লৈখিদবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। চীফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোলনা হায়, হান্নগী মিনিষ্টর এস ইবোহলনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। এস ইবোহল কুমজা ১৯৮০ দা থাঙ্গা এসেম্বল্লি কনষ্টিট্যুয়ন্সিদগী এসেম্বল্লি মীখলদা অহানবা ওইনা মায় পাক্লকখি। কুমজা ১৯৯০ দা অমুক হন্না মীখলদা মায় পাক্লকপগা লোয়নননা পাৱর অমদি আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর ওইখি। কুমজা ২০০২ দসু মীখলদা মায় পাক্লকখি। দিকেদ মরিরোম পোলিটিকেল কেরিয়রদা লাক্তুনা থবক তৌরম্বা মীওইনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী ওইনা লুচিংবা অমা মাঙজবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোক্লি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এক্স মিনিষ্টর সলাম ইবোহলনা লৈখিদবদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ফেক এনকাউন্টর : গোবিন অমসুং নোবো হাৎখিবগী কেস সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্ট থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): ঈভফম অমসুং ঐচ আর এনা মণিপুরদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবনি হায়বা য়াওনা কষ্টদিয়ল দেঠকী থৌদোক ১৫২৮গী কেসশিং নৌহৌননা থিজিনহনবীনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎখিবদা য়াওখিবা নামৈরাকপম গোবিন মৈতৈ অমসুং নামৈরাকপম নোবো মৈতৈবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদসু সী বি আইনা কেস লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লগা কেসসিগী ফাইনেল রিপোর্টতনা চার্জশীটকী মহুৎতা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা থাগৎলকখ্রে।

এক্সট্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন (ঈভফম) অমসুং হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ)না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা ৱাকৎ অদুগী নম্বরনা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর- ১২৯ ওফ ২০১২নি। অদুগা ৱাকৎ অসিগী ৱায়েলদা কোর্ট অসিনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), ন্যু দিল্লিদা থৌদোক অসিগী মতাংদা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেন্নগা নৌহৌননা থিজিন্নবা ওর্দরনা কুমজা ২০১৭কী জুলাই ১৪দা পীখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিদগী দি এস পি ঈ (সী বি আই), ন্যু দিল্লিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিভিজননা জুলাই ২৭, ২০১৭তা ওর্দর নম্বর-১৪১৬/২০১৭কী মতুং ইন্না এজেন্সি অসিগী এস আই টি অমা শেমখিবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা মমাংগী কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ৩০ অমসুং ওগষ্ট ২৪গী থেংখাং অনীরক্তা কেস অনী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

কোংগ্রেস এম এল এশিংনা এম পি সরদ পাৱরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

'সেন্টরগী লুচিংবশিংনা অশেংবা ৱাফমশিং খঙহনফম থোকই'

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী সি এল পি লিদর ও ইবোবিনা লুচিংবা এম এল এ ১৪ না ঙসি ন্যু দিল্লিদা এন সি পিগী লুচিংবা এম পি সরদ পাৱরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা এম পি সরদ পাৱরগী ওফিসল বঙ্গলোদা ঙসি নুংথিল পুঙ ৫.৩০ রোম তাবদা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা সরদ পাৱর উনদুনা ৱারী শানখি। পিছ একোর্দ তৌরকপদা মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা অমদি সী এ বি বিলগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎনবা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা সরদ পাৱরদা তকশিনখি। এম পি সরদ পাৱরগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা অঙম্বা সপোর্ট তৌগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

অমরোমদা, মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা ফিভম কয়া লৈরিবা অসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

স্কুলগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা সেক্স এদ্যুকেসন তম্বীবা মথৌ তারি : নোনিবালা নারেংবম

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯(ঐচ এন এস): মণিপুরদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা চহী শুদ্রিবা অঙাং লুহোংবগী রিপোর্ট লাকপা খ্বাইদগী হেল্লি। স্কুলগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং, ক্লাস সভেন-আইটতগী হৌদুনা চহী ঙন্না লুহোংবনা ওইরকপা য়াবা খূদোংথীবশিংগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগীদমক সেক্স এদ্যুকেসন তম্বীবা মথৌ তারি হায়না চাইল্ডলাইন থৌবালগী দিরেক্টর নোনিবালা নারেংবমনা ফোঙদোরক্লি।

STOP
CHILD
MARRiAGE

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা নোনিবালা নারেংবমনা হায়খি, অঙাংশিংবু ওৎপী-নৈবীবা, অঙাং থবক শূহনবা, অঙাং লুহোংবা য়াওনা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা কেসতা মতেং পাংনবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী মখাদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা ককচীং, চান্দেল অমদি তেংনৌপল নৎতনা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা চাইল্ডলাইন অমমম্ লৈরে। চাইল্ডলাইনশিং অসিগী মনুংদা থৌবালদা কুমজা ২০১৭কী এপ্রিল থাদগী কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর থা ফাওবদা চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংনা লুহোংবগা মরী লৈনবা কেস ৬৭ থেংনৈ। কেস মশীং অসি য়াম্না

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অনেমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুংঙাইনা, লাইনা অমদি অতেকপা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা Manipur Cab Services হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামনা খুদোংচাবা পিবা হৌরক্লে...

খুদোংচাবা অসি লৌবিনবা Telephone গী খুৎথংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোৎদুনা চৎপিয়ু

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

অদোমবু তেক্সা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবা ঐখোয়গী পান্দমনি

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্নবা শেমজরবা package লৈরি

[illegible]

MANIPUR CAB service 24X7

Manipur Cab Services
2nd floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4095/9/10-8/11

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস কেয়র নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫